

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদতগী ইটালিগী ক্লব ইন্টর মিলানদা লোন ওইনা চথরিবা সিজন অসি লোইদ্রিফাওবা শান্নরগদবা এলেক্সিস সঞ্চেজ*

*দিল্লি দাইনামোসতগী ইন্দিয়ান সুপর লীগকী অনীরক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা চেন্নাইন এফসিদা শান্নবগী সাইন তৌখ্রবা লালিনজুৱালা ছাংটে*

## ভিরজিল ভান দিজকনা নুপাগী অদুগা লুসি ব্রোঞ্জনা নুপীগী য়ু ই এফ এ প্লেয়র ওফ দি ইয়র এৱার্দ ফংখ্রে

*মোনাকো, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সি)ঃ*

ইংলেন্দগী মকোক থোংবা ফুটবোল ক্লব লিভরপুরদা সেন্টর বেক ওইবগী থৌদাং লৌরিবা নেদরলেন্দস মচা ভিরজিল ভান দিজকনা পোর্টুগালগী কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো অমদি আর্জেন্টিনাগী ষ্টার লিওনেল মেসি মায়থিবা পীরল্লগা নুপাগী য়ু ই এফ এ প্লেয়র ওফ দি ইয়র এৱার্দ লৌখ্রে। নুপীগী কাঙলূপ্তা ইংলেন্দগী সেন্টর বেক শান্নরোই লুসি ব্রোঞ্জনা ফংখ্রে।

সেন্টর বেক ভিরজিল ভান দিজক ইংলেন্দগী ক্লব লিভরপুলদা শরুক য়াদুনা ইংলেন্দগী অতোপ্পা ক্লব টোটেনহাম হোটস্পরবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীরল্লগা চেম্পিয়ন্স লীগকী টাইটল লৌবদা চাওনা মতেং পাঙখি।

য়ু ই এফ এ এৱার্দ অসি কুমজা ২০১০–১১ দা হৌদোকখিবনি। মশাগী চহী ২৮ শুরবা নেদরলেন্দস মচা ভিরজিল ভান দিজকনা হৌখিবা সিজনগী এৱার্দ অসি লৌদুনা অহানবা দিফেন্দর অমা ওইনা মনা অসি লৌবা ঙম্বা অহানবা শান্নরোই ওইবা ঙমখি। মহাক লিভরপুল ফুটবোল ক্লবতা কুমজা ২০১৮





দা সাউথমতন্দ ক্লবতগী শরুক য়ারকখিবনি।

ভিরজিল ভান দিজক নেদরলেন্দসকী মায়কৈদগী অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবা নেসন্স লীগতা শরুক য়াখি। অদুবু লাইবক থিবদি মখোয়গী টিম ফাইনেলদা পোর্টুগালগী মখূত্তা মায়থিহৌদুনা রন্নর্স অপ তাহৌখি।


এৱার্দ অসি ৮লক য়েন্থোকখিবদা মেসি অমদি রোনাল্ডোনা পুন্না ৫ রক ফংখ্রে। অদুগা কুমজা ২০১২ দা এন্দ্রিয়াস ইনিয়েষ্টা, কুমজা ২০১৩ দা ফ্রেঙ্ক রিবেরি অমদি ২০১৮ দা লুকা মোদ্রিচনা ফংবা ঙমখ্রে।

য়ু ই এফ এ ৱুমেন'স প্লেয়র ওফ দি ইয়রনা ইংলেন্দগী ফুল বেক লুসি ব্রোঞ্জনা ফংবা ঙমখি। ব্রোঞ্জ য়াখিবা ফ্রান্সকী ক্লব লিওননা ৱুমেন'স চেম্পিয়ন্স লীগকী টাইটল লৌবা ঙমখি। লোয়ননা মহাক্না লুচিংদুনা ইংলেন্দবু ৱুমেন'স ৱার্ল্ড কপকী সেমি ফাইনেল ফাওবা পুশিনবা ঙমখিবনি।

মশাগী চহী ২৭শুরবী লুসি ব্রোঞ্জ য়ু ই এফ এ প্লেয়র ওফ দি ইয়রগী মনা ফংবা ঙম্বী অহানবা ইংলিশ মচা ওইবা ঙমখ্রে। মহাক্না মনা অসি ফংলকপদা মহাক্কী টিমমেটশিংনা মতেং পাঙলকখিবশিং অদুদা অপেনবা ফোঙদোকখি।

## মেরি কোম অমদি সোন ৱান হোনা এসিয়াগী খ্বাইদগী ফজবা নুপী অমসুং নুপা এঠলেট তাখ্রে





*কোলা লম্পুর, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সি)ঃ*

এসিয়ান স্পোর্টস রাইটর্স য়ুনিয়ন্না শীন্দুনা ঙরাং অথেংবদা মালেসিয়াগী কোনুং কোলা লম্পুরদা পাঙথোকখিবা এসিয়াগী খ্বাইদগী ফজবা নুপী অমসুং নুপাগী এঠলেট লাওথোরকপদা ইন্দিয়াগী বোক্সর মেরি কোম অমদি সাউথ কোরিয়াগী ফুটবোল্লর সোন ৱান হোংনা ফংখ্রে।

সেলাঙ্গোরগী চীফ মিনিষ্টর টুৱান হাজি আমিরুদ্দিন সারিনা ট্রোফিশিং অদু লৈবাকশিং অসিদগী লাকপা মীহুৎশিংদা খূৎশিন্নখি। এৱার্দ অসি কুমজা ১৯৭৮ তগী হৌরগা এসিয়াগী খ্বাইদগী ফজবা নুপী অমসুং নুপা শান্নরোই অনী খনগৎতুনা লেপ্তুনা পীদুনা লাক্লি।

৬লক ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইখ্রবী ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সর মেরি কোম্না এসিয়াগী নুপী বোক্সিংগী লমদা অচৌবা মফম অমা কনবা ঙম্লিবা অসিগীদমক এৱার্দ অসি পীখিবনি। মশাগী চহী ৩৬শুরবী ফ্লাইৱেঠ কেটেগোরিদা শান্নরিবী ইন্দিয়াগী বোক্সর মেরি কোম ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড মেডল ৬ লক লৌদুনা মালেমদা মমিং চৎলিবনি।

এসিয়ান মেন'স এঠলেট ওফ দি ইয়রগী মনা ফংখ্রবা সাউথ কোরিয়ান ইন্টরনেসনেল ফুটবোল্লর হৌজিক–হৌজিক ইংলেন্দগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ক্লব টোটেনহাম হোটস্পরদা শান্নরিবনি।

সোন অহানবা ওইনা এফ সি সিওলদা কুমজা ২০০৮ দগী হৌদুনা শান্নরকখি। মসিগী মতুং জর্মনিগী ক্লব হেমবর্গর অমদি বেয়র লেভরকুসেনদা শান্নরল্লবা মতুং কুমজা ২০১৫ দা ইংলেন্দগী ক্লব টোটেনহাম হোটস্পরদা শরুক য়ারকখিবনি। সোননা লুচিংদুনা সাউথ কোরিয়াবু এসিয়ান গেমসকী গোল্ড মেডল লৌহনবা ঙমখি।

## দোমেষ্টিক এমেচর ইভেন্টশিংদা প্রো বোক্সর য়াওরগনি

*ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সি)ঃ*

প্রো বোক্সিংদা শরুক য়ারুরবা লৈবাক অসিগী বোক্সরশিং দোমেষ্টিক এমেচর ইভেন্টশিংদা য়াওবা য়ারগনি হায়না বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (বি এফ আই) না লাওথোকখ্রে।

প্রো বোক্সরশিং দোমেষ্টিক এমেচর ইভেন্টশিংদা শরুক য়াবগী ৱারেপ অদু ঙসি পাঙথোকখিবা বি এফ আইগী ইকজিক্যুটিভ কমিটিগী মিটিংদা য়ান্নখিবনি।

নুপাগী নেসনেল বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ লাক্লিবা ওক্টোবর থাদা পাঙথোক্লগনি। মসিগী মতুংদা নুপীগী টুর্নামেন্ট পাঙথোক্কনি। টুর্নামেন্ট অসিদা অহানবা ওইনা প্রো বোক্সরশিং শরুক য়াবা উরগনি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্টরনেসনেল বোক্সিং এসোসিয়েসন ( এ আই বি এ) না রিও ওলিম্পিক্সকী মাঙওইননা পাঙথোকখিবা ইভেন্টশিংদা প্রো বোক্সরশিং শরুক য়াহনখিবনি।

## য়ু এসকী গাউফনা হঙ্গেরিগী বাবোস থোইদুনা চহী ২৩ গী মতুংদা খ্বাইদগী নহা ওইনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে

*ন্যু য়োর্ক, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সি)ঃ*

য়ু এসকী সিটি ন্যু য়োর্কতা চথরিবা য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টতা য়ু এসকী নুপীগী সিঙ্গলস শান্নরোই কোরি গাউফনা হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোস মায়থিবা পীদুনা কুমজা ১৯৯৬ কী মতুংদা খ্বাইদগী নহা ওইনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙবা ঙম্বগী রেকোর্দ থমখ্রে।

য়ু এস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা মশাগী চহী ১৫ দা ঙাইরিবী য়ু এসকী শান্নরোই কোরি গাউফনা হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোসপু ৬–২, ৪–৬, ৬–৪ দা থোইদুনা চহী ২৩ গী মতুংদা খ্বাইদগী নহা ওইনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসতা নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবী জপানগী নাওমী ওসাকানা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা পোলেন্দগী মাগদা লিনেটপু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–২, ৬–৪ দা মায়থিবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক য়ু এসকী শান্নরোই টেলর টাউনসেননা ৪শুবা সিদেদ রোমানিয়াগী সাইমোনা হেলপপু সেট অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ২–৬, ৬–৩, ৭–৬(৭–৪) দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা ১৯শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী দেনমার্ককী কেরোলিনা ৱোজনিয়াকীনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা য়ু এসকী দেনিয়েলি কোলিন্সপু ৪–৬, ৬–৩, ৬–৪ দা থোইরল্লগা অহুমশুবা



রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

জর্মনিগী এন্দ্রিয়া পেটকোভিসনা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ৬শুবা সিদেদ চেক রিপব্লিক্কী পেত্রা ক্বিটোভাবু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–৪, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরল্লগা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি। লাটভিয়াগী জেলেনা ওষ্টাপেনকোনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক য়ু এসকী শান্নরোই এলিসন রিস্কেবু ষ্ট্রেট সেট ৬–৪, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরল্লগা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

য়ু এস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৬শুবা সিদেদ ওইরিবা জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভনা য়ু এসকী ফ্রান্সেস টিয়াফোবু সেট মঙা চঙনা শান্নরবা মতুং ৬–৩, ৩–৬, ৬–২, ২–৬, ৬–৩ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা রুশিয়াগী দানিল মেদভেদেভনা য়ু ওপন টেন্নিসকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা বোলিভিয়াগী হুগো দেল্লিয়েনবু ৬–৩, ৭–৫, ৫–৭, ৬–৩ দা থোইরল্লগা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।

ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিক্না টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা ২২শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়াদুনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা জর্মনিগী কেদ্রিক মার্সেল ষ্টেবিবু ৪–৬, ৬–৩, ৭–৫, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরল্লগা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক য়ু এসকী শান্নরোই জোন ইসনরনা ১৪শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়াদুনা জর্মনিগী জান লেন্নার্দ ষ্ট্রুফবু ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা ৬–৩, ৭–৬(৭–৪), ৭–৬(৭–৫) দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।

২৮শুবা সিদেদ ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক কিরগিওসনা ফ্রান্সকী এন্টোইন হাওৱাংবু ষ্ট্রেট সেট অহুম ৬–৪, ৬–২, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরল্লগা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখি। টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা অনীশুবা সিদেদ ওইরিবা স্পেনগী রাফেল নদাল ৱাল্ক ওভর ফংদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

## ‘নেসনেল স্পোর্টস একাদেমী, খুমন লম্পাক, ওঝাশিংগী মতম লেনফম ওইরব্রা, শেন্দান লম্বীগী মফম ওইরবজাৎলা?’

**এল. কালা উরিপোক**

নেসনেল স্পোর্টস একাদেমী, মণিপুর খুমন লম্পাক, ইম্ফাল জুলাই ২৪, ২০০৭ (24th July 2007) দা সোসাইটিজ এক্টকী মখাদা রেজিষ্ট্রেসন তৌদুনা হৌখিবনি। মতমদুগী প্রাইম মিনিষ্টরগী স্পিসিয়েল পেকেজ অমা ওইনা দোনর মিনিষ্ট্রিগী শেল্লুং মখাদা ক্লাস VI তগী XII ষ্টেন্দর্দ ফাওবগী কোর–ইদুকেসন ওইনা নেসনেল অমদি ইন্টরনেসনেল থাক্কী ওইবা খ্বাইদগী ফবা শান্নরোই পুথোকপা পান্দমদা লাইরিক লাইশুসু তম্বীবসু য়াওনা অখন্নবা মশান্না ৫ (মখা) মণিপুরগসু চান্নজবনি খল্লগা রেসিদেন্সিয়েল স্কুল ওইনা লিংখিবনি। অহানবা ওইনা (১) আর্চরি, (২) জুদো, (৩) টাইক্বান্দো, (৪) রেষ্টলিং অমসুং (৫) বোক্সিং মশান্না ৫ (মখা) খল্লী ওইনা হৌদোকখিবনি অদুবু ৬ (তরুক)শুবা ওইনা ৱেঠ–লিফটিং হাপচিনখিবনি। হৌরকপদগী হৌনা একাদেমী অসি লৈঙাক্কী য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী মখাদা য়েংশিন্দুনা লাকখিবনি। একাদেমী অসি হেন্না হেন্না চাওখৎনবা মশক থোকপা অমগী থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবা হায়বসি য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস (য়াস) দিপার্টমেন্টকী মথৌনি। স্পোর্টসপু মপুং ফাবা ওইনা থম্নবদা চঙলিবা (১) ফিজিকেল ইদুকেসন, (২) কোচিং সেক্সন অমসুং ওর্গনাইজেসন এন্দ পার্টিসিপেন্ট হায়বা মশা অহুম অসি য়াম্না মরু ওইবা অমনি। একাদেমী অসিদা লৈরিবা, মশান্না খরা অসিগী ওইনা মশান্না অমমমগী ওইনা রিসোর্স পার্সন লৈবা অমা চঙলি। লোয়ননা মশান্নশিং অসিদা ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা মেডল পুরকপা ঙমখ্রবা শান্নরোইশিং (একাদেমীসিদা থবক তৌদবা) মখোয়গী মতেংসু শরুক য়াহনবা য়াম্না মথৌ তাই। হৌজিক্কী মতমদা লেটেষ্ট টেক্নোলোজি শীজিন্নবা হৈবা খঙবা, মশান্নশিং অসিগী ট্রেনিং ৱার্ক লোদ চার্ট শেম্বা হৈবা খঙবা, শান্নরোইশিংগী ষ্টেন্দর্দ হেনগৎলকই হেনগৎলক্তে খঙনবা টেষ্ট মোনিটরিং গ্রুপ শেম্বা লৈহনবা, ইনফোরমেসন সেল হাংবা লোয়ননা এদভান্স ভেদিও রেকোর্দিং এনালাইসিসকী মরমদা খঙবা হৈবা লৈবা পূম্নমকসি য়াম্না মথৌ তাই।

মসি পূম্নমকসি হৌরকপগী মতমদা প্রোপরলি ফঙ্কসন তৌবগী খুদোংচাবা লৈহনবা ঙমখিদ্রবসু তপ্না তপ্না হোৎনদুনা লৈহনবা অমা য়াম্না মথৌ তাই অফবা স্পোর্টস একাদেমী অমা ওইনা নেসনেলগী থাক্তা ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা মেডল পুরকপা ঙম্বা শান্নরোই পুথোক্লবা হোৎনরকপা মতমদা।

অহানবা হৌদোকখিবা মতমদা ক্লাস সিক্স ষ্টেন্দর্দ অঙাং হায়বসি চহী ১০–১২ ফাওবগী ওইগনি হায়না লৌরগা মমাঙ চহী ২০১৮ অসিদদি অঙাংশিংগী চহী ২১–২৩ ফারক্লবা মতম ওইগনি। চহী ১৭–১৮ দগী ২০–২১ হায়বা মতমগী শান্নরোইশিং অসি য়াম্না মতিং লৈবা শান্নবা মহৈ চাবা হৌরকপগী ফুদোরকপা মতমনি। মতাংস্বাইদা লাক্লিবা ৱশফমদি শান্নবদা নেসনেল, ইন্টরনেসনেল থাক্তা মেডল পুরকপা ঙম্বা য়াম্না ফবা শান্নরোই পুথোকপা ঙম্নবা পান্দমদা অচঙবা খরস পূম্নমক লৈঙাক্না পুথোক্কুনা রেসিদেন্সিয়েল স্পোর্টস একাদেমী অসিদগী নেসনেলগী থাক্তা নৎত্রগা ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা শান্নবা ঙম্বা ফিদমনিংঙাই ওইবা শান্নরোই কয়া য়াম্না থোরকখ্রবগে হংনিংঙাই ওই নৎত্রনা শান্নবা খরা থৈদোক্লগা লাইরিক তম্বরোমদা ওইরগনা একাদেমী অসিদগী হৌখিবা অঙাং মশক থোকপা য়াবা করি করি লমদা মখা চত্থদুনা তমখিবা অঙাং কয়াম য়াওখ্রবগে–? জুনিয়ারগী থাক্তা জুদো শান্নরোই অঙাং অমদি এসিয়ান ষ্টেন্দর্দদা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখিবগী পাওদি তাখি। শান্নবদা হেন্না খুদোংচাবা থমদুনা লিংখিবা লৈঙাক্কী অমত্তা ঙাইরবা নেসনেল স্পোর্টস একাদেমী, মণিপুর অফবা শান্নরোই মেডল পুরকপা ঙম্বা শান্নরোই পুষথাকপা ঙল্লোইদবা লৈরবদি লিংবগী করি কান্নবা লৈবগে–? স্পোর্টস একাদেমী অসি লিংবা হৌরকপা মতমদা শান্নবা পামজবা মীয়াম্না খনখিবদি লমদমসিনা মশান্না খরা অসিদা নেসনেলগী থাক্তা এসিয়াগী থাক্তা ৱার্ল্ডগী থাক্তা মেডল পুরকপা ঙম্বা শান্নরোই কয়া লৈরিবসিগী মথক্তা হেননা পুরকপা ঙম্বা শান্নরোই মশীং য়াম্না য়ামখৎলক্লগনি লোয়ননা মহুৎ শিনবা ঙম্বা শান্নবা ঙম্বা শান্নরোই কয়া উবা ফংলগনি হায়না খন্নখিবা ঙাক্তনি। অদুবু হেনগৎলকপদি লাইরদনা অসুম অসুম হন্থরক্লি।

শান্নবদা ফংলে মহয় চাদবা লাইরিক্তা ফংলে মপুং ফাদবা অনীমক্তা মহৈ চাদবা হায়বসি হৌগৎলক্লিবা অঙাংশিং ফৎতবা মায়কৈদা চৎখিনবগী অচৌবা মরম অমা ওইবদা নৎতনা থাজবা থল্লিবা মমা মপাশিংসু য়াম্না নীংবা কায়বা ওইগনি। পিরামিট সিষ্টেম অমদা সেলেক্সন তৌরগা খনখিবা শান্নরোই অমুক ফ্লেট সিষ্টেম লেবেলদা হন্থরক্কুনা থম্বা স্পোর্টস একাদেমী ওইদনবা লৈঙাক্কী য়াস দিপার্টমেন্ট অমসুং একাদেমী অসিবু চলাইরিবা সোসাইটিজনা হোৎনা হোৎনরবদি মহয় খরদংদা ওইরবসু চান্নবা হোৎনসি। মতমসু মাঙবা পৈশাসু তিংবা ইকাইবসু লৈতবগী ফিভমদদি তাহনগুমসি। শান্নবগী দিপার্টমেন্ট অমা ওইনা মীপুম খূদিং শান্নবদা শরুক য়াহন্নবা হোৎনবসু অফবা খোঙথাংনি অদু ওইরবসু হৌজিক্কী মতমদা ওলিম্পিয়ান অমা পুথোকপা ৱার্ল্ড ক্লাসকী শান্নরোই অমা পুথোকপা ঙম্বা হায়বসিসু লমদমসিগী লেমজনিংঙাই ওইবা চাওথোকচনিংঙাই ওইবা অমনি হায়বসিসু য়াস দিপার্টমেন্টনা খঙবা খনবা মথৌ তাই। লেংঙম শাঙমদনা হিংলিবা স্পোর্টস একাদেমী এক্সেলেন্স স্পোর্টস পার্সন পুথোকসি হায়রবদি মতমগা চান্নবা খূৎজু খুৎলায়, মতমগা চান্নবা টেক্নোলোজিগী ওইবা কয়া মরু ওইনা মতমগা চান্নবা ওঝা কয়া লৈহনবা মথৌ তাই। ওইরোইদবা মঙলান অমগীদমক মঙ মঙদুনা অসুম লৈবা মতম নৎত্রে, নেসনেল স্পোর্টস একাদেমী, মণিপুর, খুমন লম্পাক ওঝাশিংগী মতম লেন্নবা অমদি শেন্দান লম্বী অমা ওইনা মমিংগী ওইনা অসুম লৈবগুম মীয়াম্না খল্লিবসি খন্দনবা মরী লৈনবশিংনা পুকচেল শেঙনা লমদমসিগা চান্নবা মখলগী ওইবা অহেনবা অখন্নবা থৌরাং অমা পায়খৎতুনা হোৎনবা চঙই নৎত্রবদি অতোপ্পা ষ্টেটনা হেক মাঙজিল থাখ্রবদি অমুক হন্না তান্নবা ঙল্লোই হায়বসি খঙবা মথৌ তাই, লোয়ননা লমদমসিদা লৈরিবা কোচ খুন্নাইনসু ডেডিকেট তৌবগা লোয়ননা হোৎনবা চঙই।

## মণিপুরগী শান্নরোই মৈরাবা লুৱাং ইন্দিয়া জুনিয়র ইন্টরনেসনেল গ্রান্দ প্রিগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

*পুনে, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সি)ঃ*

মহারাষ্ট্রগী সিটি পুনেদা ঙসিদগী শান্নবা হৌখিবা য়োনেক্স সনরাইজ ইন্দিয়া জুনিয়র ইন্টরনেসনেল গ্রান্দ প্রিদা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়ারিবা মণিপুরগী মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাং ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, মৈরাবা লুৱাং চহী অসিদা পাঙথোকখিবা রুশিয়ান জুনিয়র হ্বাইট নাইটস চেম্পিয়ন্সিপকী ফাইনেলদা মালেসিয়াগী এম ফাজিক মোহমদ রাজিফপু ষ্ট্রেট গেম ২১–১২, ২১–১৩ দা মায়থিবা পীরল্লগা নুপাগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা মৈরাবা লুৱাংনা অনীশুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়াদুনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী পুরিটাট অরিবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থিবা পীরল্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

মেটচ অসিগী গেমদা মৈরাবা লুৱাংনা থাইলেন্দগী পুরিটাটপু ২১–১৫ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা গেম শান্নরকপদসু মৈরাবনা ফংজবা হেনখিবদগী থাইলেন্দগী পুরিটাটপু ২১–১২ দা লায়না থোইদুনা মেটচ অসি মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।



টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা টোপ সিদেদ ওইরিবা ইন্দিয়াগী ভরুন কাপুর ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী ভেরোট উরাইৱোংগী মখূত্তা ২১–১৪, ২০–২২, ১৫–২১ দা থোইখিবদগী ভরুন কাপুর লৈহৌখি।

নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই আয়ুস রাজ গুপ্তনা অহানবা রাউন্দদা রেঙ্ক ৱাংনা লৈরিবা সাই চরন কোয়াবু ২১–১৪, ২১–১৩ দা থোইরবা মতুং অনীশুবা রাউন্দদা ৫শুবা সিদেদ থাইলেন্দগী ৱোরাফোপ চিয়ুনখাগী মখূত্তা ১৪–২১, ১৩–২১ দা মায়থিহৌখি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী টাসনিম মিরনা য়ু–১৫ এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপকী গোল্ড মেডালিষ্ট সামিয়া ইমাদ ফারুকিবু ১২–২১, ২১–৮, ২১–১৪ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি। অদুবু অনীশুবা রাউন্দ শান্নবদা ইন্দিয়াগী টাসনিম মির ৫শুবা সিদেদ জপানগী মিয়ু টাকাহসিগী মখূত্তা ১৭–২১, ২১–১৮, ১৮–২১ দা মায়থিখি।

## হর্দিক সাউথ অফ্রিকাগা শান্নগদবা টি–২০ স্কৱাদতা য়াওখ্রে

*ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সি)ঃ*

মথং থাদা সাউথ অফ্রিকাগা শান্নগদবা মেটচ ৩ গী টি–২০ সেরিজ দা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী মেম্বর ১৫ না শাবা স্কৱাদ লাওথোকপদা ওল রাউন্দর হর্দিক পান্দিয়া য়াওখ্রে, বুমরাহ অমদি ভুবনেশ্বর পোথাহনখ্রে।

ইন্দিয়াগী মমাঙদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ওইরম্বা মহেন্দ্র সিংহ ধোনি টিম অসিদা করম্বা মতমদা হল্লক্কদগে হায়বগী প্লানিং লৈখিদবা মরম্না হর্দিপ পান্দিয়াবু মেম্বর ১৫ গী স্কৱাদ অসিদা অমুক হন্না য়াওরকখিবনি হায়না বি সি সি আইগী সেনিয়র সেলেক্সন কমিটিগী চীয়রমেন এম এস কে প্রসাদনা ফোঙদোরকখি।

ইন্দিয়াগী মেম্বর ১৫ গী স্কৱাদ অদুদি– ভিরাট কোহলি (কেপ্টেন), রোহিট শর্ম্মা, সিখর ধৱন, কে এল রাহুল, শ্রেয়াস আইয়র, মনিস পান্দে, রিসব পন্ট (ৱিকেটকিপর), হর্দিক পান্দিয়া, রবিন্দ্র জাদেজা, ক্রুনাল পান্দিয়া, ৱাশিংটন সুন্দর, রাহুল চাহর, খালিল অহমদ, দিপক চাহর অমদি নভদিপ সাইনিনি। টি–২০ সেরিজ অসিগী মেটচশিং অদু সেপ্টেম্বর ১৫ (ধরমশালা), ১৮ (মোহালি) অমদি ২২ (বেঙ্গালুরু) দা শান্নগনি।

### ক্রোসৱার্দ ২৬৫ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | H | E | E | N | | A | L | E | C | | S | T | A | G |
| W | E | A | V | E | | N | A | S | A | | T | A | C | O |
| E | A | S | E | L | | D | I | S | C | | E | C | H | O |
| A | V | E | R | S | E | | R | E | T | O | R | T | E | D |
| R | E | D | | O | M | I | S | S | I | O | N | | | |
| | | | | N | O | D | | | | P | E | S | T | O |
| B | R | O | | S | T | E | P | | I | S | S | U | E | D |
| L | E | A | R | | E | A | T | E | N | | T | R | E | E |
| I | N | T | E | N | D | | A | L | S | O | | E | N | S |
| P | O | S | S | E | | | | L | I | P | | | | |
| | | | T | A | S | T | I | E | S | T | | M | E | G |
| E | S | C | O | R | T | E | D | | T | I | R | A | D | E |
| B | E | A | R | | E | R | O | S | | M | A | R | G | E |
| B | A | S | E | | I | S | L | E | | A | R | I | E | S |
| S | T | A | R | | N | E | S | T | | L | E | A | S | E |

GOVERNMENT OF MANIPUR
MEDICAL DIRECTORATE
-------

NOTIFICATION
Imphal, the 22nd August, 2019

No. G/GNM SCHOOL (TBL)/DHS-2018: In continuation of this directorate notification of even number dated 02/01/2019 & 29/05/2019, list of the eligible candidates who have applied for the (1) Tutor, (2) Librarian, (3) Lower Division Clerk, (4) Stenographer Grade-III, (5) Driver (Light), (6) Grade-IV/MTS & (7) Warden (Female) is hereby notified and annexed as Annexure-I. Details can be seen at the notice board of this directorate.

All the candidates who are in the eligible list are instructed to collect their admit cards from Room No. 228 & 229 of this directorate w.e.f. 04/09/2019 to 07/09/2019 during office hours.

Sd/-
( Dr. K. Rajo Singh )
Director of Health Services, Manipur

SL/5256/30 &31